# পায়খৎপা য়াবা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিগী স্কিমশিং পায়খৎকনি ঃ এল রাধাকিশ্বর




ইম্ফাল, জুন ১৩ঃ

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা পায়খৎপা য়াবা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিগী তোঙান–তোঙানবা স্কিম ৩০ রোম লৈরিবা অসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা পায়খৎপা য়াবা স্কিমশিং খাদি এন্দ ভিলেজ কমিসনগা তান্নরগা পায়খৎনবা হোৎনরগনি হায়না মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্দকী চেয়ারমেন এল রাধাকিশ্বর এম এল এনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্দকী কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা হয়িং খোই য়োকপগী ট্রেনিং অমদি মাষ্টর ট্রেন্নর ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা চেয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা হায়, বোর্দ অসিনা অসিগুম্বা মখলগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। লমদমসিগী থবক শুফম নোমফম খঙদনা লৈরিবা নহারোলশিংবু থবক পীনবা থৌরাংগী মনুং চন্না অমদি য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা খোই য়োকপগী হৈনবী হেন্না মায় পাক্কা মপুং ফাবা শেন্দাল লম্বী ওইনবা মীৎয়েংদা ট্রেনিং অসি পাঙথোকপনি।

হৌখিবা শেনবা চহী ২০১৩–১৪দা খাদি এন্দ ভিলেজ কম্মিসন বোম্বেগী মখাদা তোঙান–তোঙানবা স্কিম কয়াগী মখাদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা প্রোসেসিং য়ুনিট হাংদোক্লবা হোৎনরকখি। খোই য়োক্তুনা শেম্থোক লম্বী হেন্না লাক্লবা হোৎনবা হায়বা অসিসু মসিগী মনুং চল্লিবনি। অদুনা খোই য়োকপগী মরী লৈনবা য়ুনিট অমা নীংথিনা হাংদোক্তুনা খোইহি মরাং কাইনা পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

চহী খরগী মমাঙদা খোইহি মরাং কাইনা পুথোক্লম্বা অদুগা মমলনা হোংথরকপদগী খোই লোইবগী চাং অসি হন্থরকখিবনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা হৌজিক্তি পুথোক্লিবা খোইহিশিং খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্দনা লৌশিল্লগা লৈশিল্লবা মতুংদা অনৌবা মওংদা প্রোসেসিং তৌদুনা খোই লোইবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা অমদি কান্নবা পীনবা হোৎনগনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বোর্দ অসিগী ভাইস চেয়ারমেন ৱাই নিলমনি সিংহনা থৌরম মপু অদুগা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি কমিসনগী দিপ্যুতি দাইরেক্টর সারিও পাউনা ইকাই খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা পাউনা হায়, ঙসি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্লবসু নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইরগা লম্ফেলপাৎ এরিয়াদা লৈবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনবনা মরম ওইরগা ট্রেনিং অসি মতম খরগী ওইনা য়েথোকখ্রে হায়রি।

# পি এম য়ু ৱাইগী মখাদা চরাংপাৎকী য়ুম ১১৩দা গ্যাস কনেক্সন পীখ্রে




থৌবাল, জুন ১৩ঃ

প্রাইম মিনিষ্টর উজৱালা য়োজনাগী মখাদা য়াইরিপোক গ্যাস এজেন্সিনা ১১শুবা ফেজগী ওইনা ঙসি ৱাংখেম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাইগী য়ুমথোঙ ১১৩দা এল পি জি লেম্না কনেক্সন পীবগী থৌরম চরাংপাৎ মমাঙ লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, চরাংপাৎ জিলা পরিষদ মেম্বর পি ঐচ হেরামনি, চরাংপাৎ জি পিগী প্রধান এস ইমো, ৱাংখেম ব্লোক কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট এম দি মুবারক অলি অমদি মহিলাগী প্রসিদেন্ট কে কুঞ্জারানিনা পুন্না অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা হায়, চরাংপাৎকী য়ুমথোঙ ১১৩দা লেম্না এল পি জি কনেক্সন পীরিবা অসি থারগা ঙসি ফাওবদা য়াইরিপোক গ্যাস এজেন্সিনা পীরক্লিবা কনেক্সন ২০০০ পীখিবা অসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কেন্দ্র অসিদা ফঙবা য়াবা মীওই কয়া খঙদোক্তুনা অনৌবা কনেক্সন পীদুনা কেন্দ্র অসিবু মৈখু চেন্দবা কেন্দ্র ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

## লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী জিন্সেং...

হাপচিল্লুবগী মায়োক্তা ফাইল তৌনরকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন কেস মরি অমসুং রিট পিটিশন কেস অমা য়াওখি। কেসশিং অসি য়াওনা চখ্খিদ্রবা কেস পূম্নমক অতোপ্পা নুমিৎশিংদা পাঙথোক্লবা মতমশিং লেপখি।

## পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীশিংগী...

জিন্সেং অসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মাইপি ভিলেজদগীনা মোরেগী মাঙকাং ভিলেজ ফাউবগী মরক্তা পুরকপগী লম্বীদা ফাবনি হায়রি।

ফারবা জিন্সেংশিং অসি মোরেদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# তুরেল অয়াম্বা খুদোংথিবা য়াবা মথক্কী মথক্তা চেল্লি

তুরেল অসিগী ইমায় অসি মিটর ৭০৩.৭কী চাংদা চেল্লি। থৌবাল তুরেলসু মিটর ৭৮১.৪১৫গী চাংদা ঈমায় ৱাংনা চেল্লি হায়রি।

ঙসিগী ওইখিবা নোংজুগী চাং অসি ইম্ফাল তুরেলগী মরু ওইরিবা কাংপোকপীদা এম এম ৭৫, থৌবাল তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা লিতান্দা এম এম ১২, ইরিল তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা সাইকুলদা এম এম ৪৭ য়ৌনা নোং তাখি। জিরিবামদা এম এম ১৪৭, লম্ফেলদা এম এম ৪৭ অমসুং রাজভবন্দা এম এম ৪৩ য়ৌনা নোং চুখি হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদগী হৌদুনা ইথাই বেরেজগী গেট মঙামক লোইনা হাংদোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

# ইম্ফাল জিরিবাম নেসনেল হায়ৱে–৩৭ পুমতৎ...

নেসনেল হায়ৱে অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি ঙসি ত্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট হিজম রঞ্জিৎনা লুচিংদুনা ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভর্স এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী মীহুৎশীং য়াওনা লম্বী তৎখিবা মফম অদু ফাওবা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

লম্বীগী ফিভম অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা টি দি সিগী প্রসিদেন্ট হিজম রঞ্জিৎনা হায়, ঙরাং জিরিবামদগী নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুদুনা লাকপা ট্রক ময়াম অম কে সিনাম অমসুং কোটলেনগী মরক্তা পন্দুনা লৈরিবা অদুগী য়েংলগা লম্বী অসি য়েংশিনবা চৎপনি।

হৌজিক লৈরিবা লম্বীগী ফিভম অসি য়াম্না ফিভম তাদবা, দ্রেন লৈতবা, কলভর্ট য়াম্না লন্না লন্না লৈবনা ঈশিং লাকপা মতমদা লম্বী অসিদা পাথোক্তুনা চেনবদগী লম্বী নিংখায়নবগী মরম ওইগনি।

লম্বী অসি ফজনা শেল্লবা মতুংদা মসি কায়বা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ফিভম অসিদা লম্বী অসি নোংমা নীনিদা শেম্বা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

ফিভম অসিদা টি দি সিনা লম্বী অসিবু শেম্বগী থবক তৌরিবা এন ঐচ আই দি সি এল অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর পীদুনা টি দি সিনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরবা মতুংদা নোং তারবসু তোংদ্রবসু লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মীতৈনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা ইম্ফাল জিরি লম্বীগী কোটলেন অমসুং কে সিনমগী মরক্তা লম্বী তৎখিবা অসিনা মরম ওইরগা লম্বী অসি গারী চথোক চৎশিন্দা অপনবা ওইরে।

লম্বী অসিগী ফিভম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীদুনা হৌজিক লম্বী অসিদা পন্দুনা লৈরিবা গারীশিং অসি লৌথোক্লবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা দ্রাইভরশিংনসু লম্বী অসি শেম্বা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা অৱাবা খাঙবীনবা আপীল তৌখি।

য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ কুল্লমনিনা হায়, লৈরিবা ফিভম অসি য়াম্না অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি। হৌজিক গারী ৩৫০গী মথক্তা পন্দুনা লৈরি। হৌজিক লম্বী য়াদদুনা পন্দুনা লৈরিবা গারীশিং অসি অথুবা মতমদা পুথোকপা য়ানবা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়খি।

# খেলাখোংদা ইফটার পার্টি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ঃ

৯শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ানননা এন্টি দ্রগ এসোসিয়েসন খেলাখোং ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নদুনা খেলাখোংদা ইফটার পার্টি পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লমদম অদুগী অহল লমন, মৌলুবীশিং, কাউন্সিল্লর য়াওনা মীওই ২৫০ হেনবনা শরুক য়াখিবা ইফটার পার্টি অদুদা অসাম রাইফলস য়ুনিটকী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগা লোয়ননা রমজানগী য়াইফ পাউজেল পীন্নখি। লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা থৌরম শিনবীবগীদমক লমদম অদুগী মীওইশিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ঃ

হন্দক লেপ্তুনা নুমিৎ কয়ানি নোং চুরকপনা মরম ওইরগা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়বদগী অৱাবা নংলবা মীয়ামগীদমক ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ানগী ফ্লদ রিলিফ টিম অমনা মতেং পাঙখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিপ্যুতি কম্মিস্নার থৌবালনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না টুলিহল বট্টালিয়ানগী ফ্লদ রিলিফ কলম অমা খুদক্তা ইরোং, মাইবম অমসুং উচিৱা নস্তৱা ভিলেজদা চঙশিন্দুনা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন–থুম কন্দুনা মতেং পাঙবা ঙমখিবনি। কলম অদুনা তোর্ব্বান নীংখাইবা নৎত্রগা কাইবা অদু শেমজিন্নবা মচাক মথুম অমসুং অৱাবা নংলবা মীয়ামগী লৈফম ঈশিং অমসুং চান–থক্লবশিং মতেং পাঙখি। থবক অদুদা ৫২ ইঞ্জিনিয়ার রেজিমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ার রিলিফ কলম অমনসু মতেং পাঙখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ফুন্দ্রে বট্টালিয়ান অসাম রাইফলসনা থৌবাল কৈথেল মনাক্তা তুরেল তোর্ব্বান কায়বদগী নালাদা তাশিনখিবা ট্রক অমা লৌখৎপদা মতেং পাঙখি। লোয়ননা মন্ত্রি পুখ্রি বট্টালিয়ান অসাম রাইফলসনা ঈশিং থুমজিনখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অচানবিগৈ অমসুং মোংজম এরিয়াশিংদা তেঙবাং পোৎলশিং ফাস্ত এদ কিট, টেন্ট অমসুং বোরা কয়া মতেং পাঙখি। কৈথেলমনাবী বট্টালিয়ান অসাম রাইফলনসনসু কগ্যামগৈ অমসুং শীংজমৈদা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতেং পাঙখি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

# মণিপুর তম্পাক্কী ঈচাউগী ফিভম হৌজিকসু লুনা লৈরি...

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী ঈচাউ মায়োক্নরিবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোকখ্রে। মফম মফমদা হি শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক চখ্খরি।

থৌদোক অসি নেচরেল কেলামিতিজ ওইবনা মতম খরদি মীয়াম্না খাঙমিন্নসি। অৱা অনা তারবশীং অঙম্বা থাক্তা গভর্ণমেন্টনা মতেং পাঙনবা হোৎনগনি হায়খি।

মণিপুর তম্পাক্কী মরুওইবা তুরেলশিংদা ঈশিংশিং অসি পাথোকপা তোর্ব্বান কায়বনা মরম ওইরগা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবনি। ক্যামগৈগী কায়বা মফমদা এ আর অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী হিনচিংবা শিজিন্নদুনা রেস্ক্যু তৌবগী থবক চখ্খি। কায়রিবা মফমশিং অসিদা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থাজিন্দুনা ঈশিং থিংবদা মতেং পাঙহল্লি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসি হান্ননা মফম কয়াদা নমথদুনা লৈবা অমসুং লৈবাক নান্থবা কয়া লৈরি। মসিগীদমক দাইভর্সন তৌবা তাবনি। অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেল্লগা চখোক চৎশিন তৌবা য়ানবা হোৎনরি হায়খি।

খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা ৱাটর রিসোর্স মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপনা হায়, গভর্ণমেন্টনা তুরেল খোঙনুং তেংনা তেংনা চীংদা নোং কা হেন্না চুবনা মরম ওইরগা ঈশিংগী ভোল্যুম অসি কা হেন্না ৱাংনা লাকপদগী তুরেলশিং অসি মফম কয়াদা পাথোকপা, কায়বনি।

হৌজিক ফ্লদ ফাইটিং মেটরিয়েলশিং মরাং কায়না লৈরি। সিমেন্ট বেগ, ফক্লোং কয়া অমসুং ৱাশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরে। লৈবাক মীয়ামগী খুদোংচাদবা অসিদা মতেং পাঙনবা হোৎনবা পামজবনা মসি ইশা য়াওনা থিংনবা হোৎনবনি।

গভর্ণমেন্টনা ঈশিং কায়রিবা মফমশিং অসিদা ইঞ্জিনিয়ারশিং ৪৯গী মনুংদা মরি মরি য়েন্থোক্তুনা থবক তৌরি। অসিগুম্বা মফমশিং অসি থিংনবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক পুং ২ রোম তাবা মতমদা কোংবা তুরেলগী কোংবা উচেক্লোনগী ৱাংলেম্বম মপাদা তোর্ব্বান কায়খ্রে।

মফম অদুদা চঙশিল্লুবা পাউচে অসিগী পাউমীদা মফম অদুগী প্রজাশিংনা হায়, ঙসি ঈশিং কায়রিবা মফম অসি হৌখিবা নুমিৎ ২০ রোমগী মমাঙদা তুরেল খোঙনুং তেংবগী প্রোক্লেন গারী চংনবা শেমখিবা মফমনি। মফম অসি ঈচাউ লাক্লবদি খুদোংচারোইদবা লৈবনা লৈবাক খরা হাপ্পীনবা হায়জখি। অদুবু মফম অদু লৈবাক হাপ্পীরমদবদগী ঈশিং চাউরকপদা পাথোকপদগী হেনজিলক্তুনা তোর্ব্বান কায়খিবনি।

মখোয়না মতম চানা লৈবাক হাপ্পীরম্লবদি মসিগী খুদোংথিবা অসি থোক্লমদবা য়াই হায়খি। তোর্ব্বান কায়বা অদুনা মরম ওইরগা ৱাংলেম্বম বিরেনগী য়ুমদা লৈবা ওক মচা য়াওনা শা য়েন কয়া ঈশিংনা চেন্থখ্রে লোয়ননা য়ুমগী পোৎ চৈ কয়াসু ঈশিংনা চেন্থখ্রে হায়খি। ঈশিং অদু থিংনবা হোৎনবদা ঙমখিদে হায়রি।

কোংবা তুরেল মরিলদা ঙসি অয়ুক ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকাইগী কোংবা ইরোং, হান্নগী মিনিষ্টর এম দি অল্লাউদিন খানগী মপা অমসুং কারমপলি গোলাই মপাদা কায়খি হায়রি।

ইম্ফাল তুরেল মরিলদা ক্যামগৈ মুস্লিম ওইনাম লৌকোল মপাদা তুরেলগী তোর্ব্বান মিটর ৫০ রোম কায়বদগী অরাপ্তি, উরুপ, কৈরাও মাক্তিং য়াওনা মফম কয়াদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

ইম্ফাল তুরেল মরিলদা চজিংকরাম মখা লৈকাইদা নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা ফুট ৩০০ লোম শাংনা কায়বদগী হাউরৈবী, শামুরৌ, ৱাঙ্গোয়নচিংবা মফম কয়া ঈশিং থুল্লে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কৈবুং মথক লৈকাইদা মিটর ১০০ রোম ঈশিং পাথবদগী কৈবুংগী য়ুমথোঙ কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। থৌবালদগী লৈশাংথেম ফাওদুনা চৎকদবা লম্বী চাউনা অকাইবা পীরে।

থৌবাল সাবলতোংবা কোঞ্জিন লৈকাই মপাদসু ঈশিং পাথোক্তুনা চেনবদগী কায়রক্তুনা য়ুম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। থৌবাল লৈশাংথেমদসু থোং মনাক্তা ঈশিং পাথোকপদগী লৈশাংথেম কৈথেল য়াওনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। থৌবাল হাউখ, কিয়াম সিফাই, মোইজিংনচিংবা মফম কয়াসু য়ুম কয়া থুমজিনখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু নম্বুল তুরেলগী ঈমায় কা হেন্না ৱাংখৎনা চেনবদগী অনেম্বা মফমশিংদা ঈশিং পাথোক্তুনা শগোলমন্দ মৈনো লৈরক, মোইরাং লৈরক, সলাম লৈকাই, ৱাহেংবম লৈকাইনচিংবা মফমশিংদা পাশিল্লক্তুনা কৈশামথোং কেন্দ্র অমসুং শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

তুরেল অসিদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা ইম্ফালগী পাউনা বজার, উরিপোক কেন্দ্রগী মফমশিং য়াওনা ইম্ফাল সিতিগী মফম কয়া থুমজিনখি। নাগা তুরেলদগী পারকপা ঈশিংনা খোয়াথোং অমসুং থাঙ্গাল বজারগী মফমশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

লাংজিং মপাদা পাক্তক্লনা নম্বুল তুরেলদগী পাশিল্লকপা ঈশিংনা লাংজিং বজার অমসুং পাৎশোইগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। মসিদগী লাকপা ঈশিংনা তাউবুংখোক, হৈনৌবোক্লচিংবা মফমশিং ফাওবা ঈশিং চঙশিনলকখি।



নম্বোল সাবল লৈকাই


চীফ সেক্রেটরী ক্বাটর


মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী কেম্পস



ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিস মমাং, শঙ্গেথোং


নম্বোল লৈরেন গার্ল হায়র সেকেন্দরি স্কুল মমাঙ


খ্বাইরমবন্দ কৈথেল



নম্বোল কৈথেল